ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯑꯣ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯹, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
৪১ শুবা চহী, ২৯৩ শুবা মশীং
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জনুৱারী ১৯, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৯৩ শুবা মশীং

# সিটিদা সী সী টি ভি কেমেরা

## বোম পোকখায়খ্রবা তুংদা কেমেরা নীংশিংলকপ্রা?

লৈবাক অসিগী মেত্রো পোলিটান সিটিশিংদা সী সী টি ভি কেমেরা খিন্নখিবা চহী ১০ রোম ফারক্লে। মখোয়গীদি অনৌবা মখলগী টেক্নোলোজিদগী হেন্দোক্লদুনা স্পাই কেমেরা ফাওবা থমদুনা পামদবা থৌদোক-ৱাথোক থোরকপা থেংননবা অকনবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে। মরুওইনা সাউথ ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা মহারাষ্ট্রগী মুম্বাই সিটিদা সী সী টি ভি কেমেরা লিশীং ৩গী মথক্তা মথৌ তৌহল্লি। কন্ত্রোল য়ুনিট অদুদসু নুপী পুলিস ওফিসর ৩০গী মথক্তা থমদুনা ত্রাফিক অমদি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিল্লি। নুপী খক্তনা পায়বা কন্ত্রোল্লিং য়ুনিট অদুদা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং থিদনা রোটেসন তৌনরগা মথৌ তৌই। মখোয়না ফিল্ডদা লৈরিবা পুলিস ওফিসরশিংদা ঈ-পাউ পীথোক পীশিন তৌনদুনা অপীকপা থৌদোক্তগী অচৌবা থৌদোক ফাওবা লাকশিন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। কা অমদা ফল্লগা মখোয় পূন্নমক্কী মমাঙদা পাল্লবা টি ভিগী মোনিটর ১০/২০ থল্লগা মফম অমদা করি থোক্লিবগে হায়বা লায়না খঙবা ঙমহনবা খূৎলায় অদুবু করিগীদমক্তা মণিপুরনা হৌজিক ফাওবা খিনবা ঙমদবগী মরমদি থৌ-ৱা শাদবনি হায়বা য়াই। মমাঙদা পাল্লম্বা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টসু হীরম অসিদা থোইনা মীৎয়েং চঙবগুম্না তৌখিদে। হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্টসু থৱায় ইয়াও য়াওদবগুম্না উই। মণিপুরদদি নেসনল হায়ৱে ২দা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরক্লবা নৎত্রগা বন্দ তৌরক্লবা মতমদা ইম্ফাল জিরি লম্বী শেমগদবনি হায়না লাউনরকপা, নীংশিংলকপগী থৌদোক হেক হেক থোকই। মতৌ অসুম্না ইম্ফাল ময়োলদা বোম হেক পোকখায়রবা মীয়াম্না সী সী টি ভি কেমেরা নীংশিংনরক্কনি অমসুং হায়রিবা কেমেরাশিং অদু পানবগী থবকশিং কদায় য়ৌখ্রবগে, করি তৌদুনা লৈরিবগে হায়বনচিংবা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা নৈনবা হৌরকই। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি থবকশিং অসি লৈঙাক অমগী তৌদবা য়াদবা থৌদাংনি। মসিনা ইম্ফাল মনুংদা হৌজিক ওইরিবা ত্রাফিক্কী কঞ্জেসন কোকহনবদা মতেং পাঙগনি অমসুং পামদবা থৌদোক থোরকপদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাননবগী লংলা লংজিন পুথোকপা ঙমগনি। শম্না হায়রবদা সী সী টি ভি কেমেরা থম্বা হায়বসি পুলিসকী লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা তঙাইফদনা চঙবা ইনভেষ্টিগেসনগী খূৎশু-খূৎলায়নি হায়না লৌরবা ফাওবা য়াই। য়ূম-য়ূমদা মীচম অমনা সী সী টি ভি কেমেরা থম্নরবা মতমসিদা লৈঙাক্না অসিগুম্বা মখলগী কেমেরাশিং অসি পব্লিক প্লেসতা খিনবা ঙমদবা হায়বসি লাইবক থীবনি।

মণিপুরদসু ঙসিদগী চহী ১০গী মমাঙদা ইম্ফালগী মরুওইবা মফম খরদা সী সী টি ভি কেমেরা খিন্ননবা প্রোজেক্ট অমা লৌখৎখি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অদু চাউরাক্না লুপা ক্রোর ৮.০১ রোমগীনি। প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা গভর্ণর সেক্রেটরিয়েট, চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটসু কোনশিল্লি। খ্বাইদগী হেন্না নোক্নিংলিবদি গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটক মনুং অমসুং মপান্দা খিল্লিবা সী সী টি ভি কেমেরাশিংনা নীংথিনা মথৌ তৌরগা লম্বী-লমজাউদা খিনবা কেমেরাশিংনা মথৌ তৌখিদবা হায়বসিনি। কেমেরাশিং ইন্সটোল তৌরবা মতুংদা মথৌ তৌখিদবগী মতাংদা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্না এস আই টি শেমদুনা থিগৎহনখি। এস আই টিগী রিপোর্ট মমাঙ চহীগী জুলাই ৩দা মণিপুর লৈঙাক্তা পীরকখি। এস আই টিগী রিপোর্ট অদু ইনভেষ্টিগেসন তৌরবা তুংদা চাউরাকপা অমা লৈঙাক্না থবক লৌখৎপা য়ানবগী রেসপোন্সিবিলিটি ফিক্স তৌরবনি হায়না মীয়াম্না লৌনৈ। অদুবু থা ৬ হৌখ্রবা ফাওবদা রিপোর্ট অদু হৌজিক ফাওবা মীয়ামগী দোমেনদা থম্বা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুদা কনা কনা চেন্নৈ অমসুং চেন্নরিবশিং অদুগী মথক্তা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বা লাউথোক্তবা মরম্না লৈঙাক অসি মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা তৌরম্বা থবকশিং অদুগা করিদা খেন্নবা লৈবগে হায়বা ৱাহং হংনরকই। মসিদসু নত্তনা মণিপুর পুলিসকী ৱায়রলেস লৈবগী ৱাথোকসু অদু মঙাই, এস আই টিনা পীরকখিবা রিপোর্ট হোমগী উপুদা থমজিল্লগদি শেমখিবা এস আই টিশিং অদু করিগীনো, মীয়ামদা ঙাইহাক্কী খুবাক খুহন্নবা তাৎ তৌরিব্রা হায়বা ৱাফম ফাওবা লাক্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, হৌজিক্তি বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রে। করম্বা মতমদা অমুক হন্না বোম পোকখায়রক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদে। ফীভম অসিদা ইম্ফালগী মরুওইবা মফম খুদিংমক্তা সী সী টি ভি কেমেরাশিং খিন্দুনা পুং ২৪ চুপ্না মোনিটর তৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। পূন্নমক অসি উরগা মাহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা থা অসিগী মনুংদা সী সী টি ভি কেমেরা খিনবা লোইগনি হায়বা ৱাফম অসি তরাম্না ওক্নিংঙাই ওইরি। লুরিবা ৱাফমদি সী সী টি ভি কেমেরা খিনবগী ৱাফম অসি থা খরগী মমাঙদা লৈঙাক্না মরী লৈনবা কম্পেনিদা ৱর্ক ওর্দর পীখ্রবনি। চাউরাক্না লুপা ক্রোর ৪/৫ রোমগী ওইগদবা প্রোজেক্ট অসিদা খিনগদৌরিবা সী সী টি ভি কেমেরাশিং অসি ৱায়র তিংদবা মখলগী টেক্নোলোজিনি। অনৌবা মখলগী মতমগা চুনরবা টেক্নোলোজিদা যূম্ফম ওইবা কেমেরাশিংনি। হায়রিবা কেমেরাশিং অসি মপান লৈবাক্তগী চেনবা হৌখ্রে হায়বা তারে। অদুবু থা অমগী মনুংদা কেমেরাশিং অসি শোয়দনমক খিনবা ঙমগনি হায়বা ৱাফম অসিদি হৌজিকসু থাজনীংঙাই ওইদে। অদুবু থা অমা চোম্থরগা খিনববু ওইরবসু খরা থুজিলহন্নবা লৈঙাক্না হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

#### রিজার্বেসন-প্রমোসন কাবদসু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হান্না** মণিপুর পুলিস ৱায়রলেস হায়রম্বা হৌজিক্না মণিপুর পুলিস টেলিকোম ওর্গেনাইজেসন হায়না ওন্থোকখ্রবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টাফ পার্সনেল হান্না কন্সটেবল রেদিও টেলিফোন ওপরেটর (সী আর টি ও) কৌরম্বা অসি হৌখিবা চহী ১৯৯৮, ২০০২, ২০০৭ অমদি ২০১১দা ভেকেন্সি লৈবনা মরম ওইরগা পার্সনেলশিং রিক্রুইট তৌখ্রে। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্না ১/১/২০১২দা দিপার্টমেন্ট অসিবু রিভেম্প তৌবগা লোয়ননা কন্সটেবল রেদিও টেলিফোন ওপরেটর (সী আর টি ও) অসিবু রিদিজাইনেটেদ তৌদুনা হেদ কন্সটেবল (টেলিকোম) হায়দুনা দিপার্টমেন্ট অসিদা সী আর টি ও অসি লৈখিদ্রে। হন্দক দি জি পি মণিপুরনা জন্যুৱারী ২, ২০১৮দা থোকপা ওর্দরগী মতুং ইন্না ঐচ সী (টেলিকোম) দগী এ এস আই (টেলিকোম) দা ঐচ সী (টেলিকোম) ১০৩ প্রমোসন ফংখ্রে। মতাং অসিদা ঐনা থমজনীংলিবা ৱাফমদি প্রমোসন পীবা অসিদা ১৯৯৮, ২০০২ অমদি ২০০৭ বেটচকী এস টি কেটাগোরিদা প্রমোসন পীবা লোইরদুনা ২০১১গী বেটচতগী এস টি কেটাগোরিদা ঐচ সী (টেলিকোম) ১৬ প্রমোসন ফংখ্রে। অদুগা জেনরেল কেটাগোরিদদি ২০০২, ২০০৭ বেটচতি থমখো ১৯৯৮ বেটচকী ঐচ সী (টেলিকোম) মখোয় মরি ভেকেন্সি লৈতদনা প্রমোসন ফংহৌদ্রে, মখোয়না ফংলবা মতুং ২০০২, ২০০৭ অমদি ২০১১ বেটচকী জেনরেল কেটাগোরিদা লৈবশিং মথং মথং সেনরিটিগী মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবনি। এস টিনা চহী ৬ সার্ভিস তৌরগা প্রমোসন ফংবা, জেনরেলনা চহী ১৯ তৌরবসু প্রমোসন ফংদবা রিজার্ভেসন সিষ্টেম তৌরিঙৈদা। পুলিস হায়বসিদি অৱাবা শিনফমনি। জেনরেলদা লৈবশিংদি লোইনা তল্লমগনি হায়বা ঙমদদনা তুমিন্না লৈরমগনি। প্রমোসনদদি রিজার্ভেসন থম্বীরগনু। রিজার্ভেসন তৌরিঙৈদা নোংমদি মণিপুরদা মতিক চাবা ময়াম মনীংদা লৈহৌরগা রিজার্ভেসন কাঙবুনা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট পূম্বদা মকোক ওইহৌরগনি। অরোইবদা ময়াম্না ঐগী ৱাহৈ খরসিদা অশোয়বা অরানবা য়াওরবসু ঙাকপীগনি, ময়াম্বু খুরুমজরি।

*অদোমগী - বিমোল মোইরাংচা, থৌবাল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৪

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি অরিবা চেংলৈ ৱাহৈনি/মসিগী ৱাহম্থোক পীয়ু :
(ক) কায়নৌ (খ) মমোইরেং।

২। "নোংপোক কোরৌ খোঙথাফম/ভারতকী শমজী লংদাইফম/প্রকৃতিগী নুংঙাইবা শান্নফম।" পরেংশিং অসি 'ইরৈবাক' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "তাও! মীকপ মীরাউখোলসে/অসুক নুংঙাইরবা মীৎকুপসিদা/অমুক্তা তাওনে, নঙবু।" পরেংশিং অসিনা কবি প্রহ্লাদ শর্ম্মগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। মণিপুরী সাহিত্যদা বাইওগ্রাফী ইবা অহানবা নুপীদি থোইবী দেবীনি। মানা ইরম্বা বাইওগ্রাফী অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "কোহিন্নুরগী মশাইগোন্দা" কৌবা লমকোয় ৱারীদুগী অইবা কনানো? মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

# ইম্ফাল সিটিদা ত্রাফিক জাম থোকপা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থৌওংননি

### অওনবা মালেম

#### সৌবাম তোম্বা লুৱাং

**ইম্ফাল** মনুংদা লৈরিবা লম্বীদা মী য়াম্না চিন্দুনা ত্রাফিক জাম থোক্লে হায়রগা গাড়ী মচা/অচৌবা লৈবদগী ওইরকপা ৱাথোক্নি হেক্তা হায়নৈ। অদুবু মসিমক্নদি ৱাথোক অসিগী হৌরকফম লোয়নমক্তি নত্তে। হোয়, ইম্ফাল মনুংগী লম্বী অসিবুদি অসুক্কী মতিক চিনখ্রে। চাওখৎলক্লিবমখৈ মীওইবনা তোংনবা গাড়ীদি লৈদবা য়ারোই। তোংনবা গাড়ীখক্তা নত্তে মীওইবনা শীজিন্ননবা নত্তে। পোৎ চৈ পুনবা অচৌবা গাড়ী ময়ামসু লৈদবা য়াদে, লম্বীদা চেন্দবা য়াদে করিনা হায়ববু য়ামখ্রবা মীয়ামসিগী শেৎনবা, চানবা পোৎ চৈ কয়া নোংমগী মনুংদা য়াম্না শাথিনা মথৌ তাখ্রবজাৎনি। ইম্ফাল মনুংগী লম্বী পীকই, মী চিল্লি হায়দুনা গাড়ী লৈবগী চাং হন্থহনগদবনি নৎত্রগা অচিনবা লম্বীদা ত্রাফিক জাম থোক্তনবা গাড়ী (মচা/অচৌবা) থৌবা য়ারোই হায়দুনা থিংলুবসু য়াবা নত্তে।

মীগী মশীংদি নোংমা-নোংমগী হেঙ্গৎলকপা মশানা তাবনিনা তোংনবা নৎত্রগা পোৎ পুনবা গাড়ী মথৌ তারকপনি। গাড়ী অমদি মীওইবা অনীমক হিংবদা মরী লৈনদবা য়াদে। মদুননি কম্পনি কয়া মশীং খঙদনা নোংম-নোংমগী থোক্লক্তুনা গাড়ী কয়া শারক্লিবা। মদু মীওইবনা শীজিন্ননবা শারক্লিবনি শেল য়াম্না থাদরদুনা। মখোয়সু অঙ্ক য়াম্না হোৎলগা গাড়ী শাবগী থবক অসি তৌরক্লিবনি হায়বদি লৈগদৌরিবা অমদি য়োনগদৌরিবা অমদি ঙসিগী মীওইবগী পুন্সি মহিং অসিগা লৈনরিবা মরী অদু কূপ্না য়েংলগা তৌরিবনি। করিগুম্বা মীয়াম্না গাড়ীশিং অদু লৈদ্রগদি কম্পনিশিং অসি শেল মাঙদুনা মুৎকদৌরিবনি। অমরোমদা, য়েংবীয়ু গাড়ী অমা লৈবগী মথৌ তারিবসি। গভর্ণমেন্টনা গাড়ী (অচৌবা/মচা) মীয়াম্না য়াম্না লায়না লৈবা ঙম্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপীরি। মসিগী মনুংদা বেঙ্কনা গাড়ী লৈনবা লোন পীরিবা অসিনি। মসিসু বেঙ্ক মথন্তনা তৌবা নত্তে গাড়ী শারিবা কম্পনি অমদি বেঙ্ক অনীনা অমনা অমগী মতেং পাঙনরিবনি। গভর্ণমেন্টনা শিল্লকপা মীয়ামগী থৌরাং অদুগী মখাদা তৌরকপনি। শম্না হায়রবদা চল্লবা মীয়াম্না য়াম্না অরাইবা মওংদা গাড়ী লৈদুনা তোংবা ফংজবা অমদি শেল থোকপা থবক কয়া তৌবা য়ানবা শিল্লকপা থৌরাং অমনি। মরম অদুনা মীয়াম্না তোংনবা গাড়ী পংলৈদা লৈরে হায়দুনা অরানবা থবক অমা তৌবগুম্না মরাল শীবা মানবা মফোঙদোক অসি খরা চুনবা ৱাৎলি। কৈথেলদা গাড়ী য়োল্লবদি লৈবা তাবনি। য়োল্লিবদুসু লোনা য়াদবা মওংদা য়োনবা নত্তে। অমুকসু য়েংবা য়াই মদুদি লোনা য়ারবা মওংদা মীয়াম্না গাড়ী লৈনীংবা পোক্লবা পাক শন্না প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা এদভর্টিজমেন্ট তৌরিবদুনি।

ইম্ফাল মনুংদা ত্রাফিক জাম থোক্তনবা থৌরাং কয়ামুক লৌখৎপা য়াই। মীয়াম্না তোংনবা গাড়ী লৈবদা অথিংবা থম্বনা ত্রাফিক জাম থোকপদগী থিংবা ঙম্লোই। অদুগা ইম্ফাল সিটি মনুংদা গাড়ী চঙবা থিংবনসু ৱাথোক/খুদোংচাদবা অসি কোকহনবা ঙম্লোই। মী চিনবা অমদি গাড়ী য়াম্না চিনবগী চাং হেঙ্গৎলিবসিগী য়াম্না মরু ওইবা মরমদি কৈথেল মনুংদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈ, মনা-মশিং ময়াম অমা য়োন্দুনা লৈবদগীনি। কোবি, হঙ্গাম, আলু, ঙা, ফিরোল, অচাপোৎনচিংবা ফাওবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা লৈগদবগী গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা লৈবা মীওই কয়ানা থোমজিল্লক্লি। মসিদগী মী অমদি গাড়ী চঙবগী চাং য়াম্না হেঙ্গৎতুনা ত্রাফিক জাম থোকপগী মরম অমনি। ফদিগোম, তিলহৌ ফাওবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা য়োনগদবনি হায়দুনা লৈরে, লৈরক্নদবনি হায়দুনা লৈরে। নুমিৎ খুদিংগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী য়াম্না লাপ্না খ্বাই কৈথেলদা লল্লোনবা লল্লোনবী কয়ানা অয়ূক ঙন্তা মনা-মশিং, পোৎ-চৈ কয়া য়োনবা লাকই। পোৎশিংদু গাড়ী মপোৎ-মপোৎনি পুরক্লিবা। মসিনসু ত্রাফিক জাম থোক্লিবনি। মদুদগীদি পোৎ লৈবা মীয়ামসু গাড়ী তোংলগা লাকপনা ত্রাফিক জাম থোক্লিবনি। কৈথেলগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ময়ায়মক্তদা মনা-মশিং, অচাপোৎ য়োন্দুনা লৈরে। মসিবু শুৱাক্লমক লৈতবা য়াদবরা? কৈথেলদা মোৎপগী চাংসু য়াম্না হেঙ্গৎহল্লি। কৈদৌঙৈদা লূ-নানবগী মওংসু লৈররোই। গ্রেটর ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা কৈথেলশিংদা মনা-মশিং, ফিরোল, অচা-অথকশিং অসি য়োলহল্লবদি সিটি মনুংদা ত্রাফিক জাম থোকপগী চাং য়াম্না হন্থগনি। ক্বাকৈথেল, শিংজমৈ, পিশুম থোং, ৱাংখৈ, লল্লোং, কোংবা, চীংমৈরোং, লম্ফেল, নাওরেমথোং অমদি তেরা কৈথেলশিং অসি মতমগা চুনবা কৈথেল শারবদি মদুদগী ওইনা পোৎ লৈনগনি গাড়ী থৌজিন্দুনা। অমরোমদা খ্বাই কৈথেলদা গাড়ী থৌজিল্লক্তুনা ইচম-চম্বা মনা-মশিং লৈবা লাক্লরোই। মসিনা ত্রাফিক জাম থোকপা হন্থগনি। সিটি মনুং মোৎপগী চাং হন্থগনি। পোৎ লৈবা মীশিংদসু মতম মাঙলোই। অদুবু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শেমগৎতে, শাগৎতে গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা লৈরিবা মরুওইবা/কান্নরবা কৈথেলশিং। ইম্ফাল সিটি মনুংদা ত্রাফিক জাম খরমখৈ হন্থহনখিবগী খুদম অমতং পঞ্জগে মদুদি থঙ্গাল কৈথেলদা য়োৎ-থাং, য়োৎপী, জিজ্ঘ, বিলাটিমাটিনচিংবা লোয়না য়োল্লম্বদু ঙসিদি শগোলবন্দ, থাংমৈবন্দ, খুরাই, উরিপোক, ৱাংখৈ, টিদ্দিম রোদ, শিংজমৈ, চীংমৈরোংনচিংবগী মফম কয়াদা য়োল্লকপদগীনি। অসুম্না মনা-মশিং, চান-থক্নবা, ফিরোলসু তৌবা য়াই। সিটি মনুংদা নুপীশিংনা পোৎ য়োনবগী মওং অসি য়েংবদা নুংঙাইত্রে। সিটিগী মশক য়াম্না থিহল্লে। লৈজদবা নোংমগী চরা ৱানা তানবগীদমক্তদি গ্রেটর ইম্ফালগী কৈথেলশিংদা তৌরবসু কায়দে। কৈথেল ময়ায়দা ফীভম চাদনা নুপীনা লম্বীগী মতাইদা, লম্বী মথক্তা পোৎ য়োনগদবনি হায়বা লৈতে। খ্বাইদগী লুবসি গভর্ণমেন্টনা চুনবা থবক মীৎয়েং শান্না তৌরক্তবা অসিনি।



পোৎ লৈবা চৎপা নত্তবা মীওই কয়া অমা অতে থবক্কী (ওফিস কাবনচিংবা) ইম্ফাল সিটি ফাওদুনা মায়কৈ মরিসিদা গাড়ী থৌদুনা চৎলি। মসিনসু ত্রাফিক জাম চাউনা থোকহল্লি। মফম কয়াদা থবক চৎপদা সিটি ময়ায় ফাওদুনা চৎত্রবদি য়াদ্রবরা? খুদম অমখক্তং পল্লবদা শিংজমৈদা লৈবা মীওই অমনা লম্ফেলগী দি সি ওফিসতা থবক অমগী চৎপা তারবদি অয়াম্বনা তৌনরিবসি য়ূম্নাম লৈকায়, সেক্রেটরিয়েট মমাঙ, কংলা পাৎ, সিটি মনুং/ফ্লাই ওভর, উরিপোক, নাওরেমথোং, লম্ফেল অসিনি। মসিদগী গাড়ী ময়ামদুনা সিটি নুংদা থৌজিনবদা ত্রাফিক জাম থোকই অদুগা থবক চৎলিবা অমদি অতৈ মীওইদসু অৱাবা পীরি। অমরোমদা য়াম্না লায়না ওইথোকপা য়াবা লম্বী অমা লৈরি। মদু য়েংসি। শিংজমৈদগী পিশুমথোং, খাগেম্পল্লি, ক্বাকৈথেল, শগোলবন্দ, শয়াং লৈরক, তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়, নাওরেমথোং, লম্ফেল দি সী ওফিস য়ৌনা চৎলবদি সিটি মনুংদা ত্রাফিক জাম লৈবগী চাং য়াম্না হন্থহনবা ঙমগনি। অদুবু মীয়াম্না চৎনীংদে করিনা হায়ববু হায়রিবা লম্বীশিং অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী য়াম্না ফত্তে। শেমজিন শাজিনবীদে নীংথিনা গভর্ণমেন্টনা। লম্বী ফত্তবা মফমদা কনাসু চৎনীংদে করিনা মতম মাঙই, থবক নংদে, গাড়ী শোকই। মসিদি খুদম অমখক্তনি। গ্রেটর ইম্ফালগী মায়কৈ মরিদা লৈরিবা লম্বীশিং অসি য়াম্না ফীভম ফত্তে। মসিনা মরম ওইদুনা সিটি মনুংদা মীওই পূন্নমক গাড়ী থৌজিন্দুনা চৎকনি করিনা হায়ববু সিটি মনুংদদি লম্বীগী ফীভম খরা ফরি। মরম অদুনা গ্রেটর ইম্ফালগী মরুওইবা ইন্টর লোকেলিটি রোদশিং অসি ফজনা পাকথোক চাউথোক্লবা অমদি নান্না শেল্লবদি সিটি মনুংদা ফাওদুনা চৎপগী চাং য়াম্না হন্থগনি অমদি ত্রাফিক জাম য়াম্না হন্থহনবদা মতেং য়াম্না পাংগনি।

মীয়াম্না হেক-হেক হায়নৈ ত্রাফিক জাম ওইরগা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসনা মথৌ নীংথিনা তৌদ্রে, লৈবগী কান্নবা লৈত্রে, য়েংদুনা অদুম লৈরে হায়না। হৌজিক্কী ফীভমসিদা ইশা-ইশামক ত্রাফিক পুলিস ওইরে হায়না খল্লসি অদুদি তৌগদবসি করিনো? ত্রাফিক্কী ওইবা তোঙানবা রুল হায়বসু লৈজরি। লম্বী ফজনা শেমদবদুদি ত্রাফিক পুলিসকী মথৌ নত্তে। গ্রেটর ইম্ফালগী রিং রোদ শেমদবদু মখোয়গী অশোয়বা নত্তে। অদুম ওইনমক ত্রাফিক পুলিস দিপার্টমেন্টকী মপাঙ্গল য়াম্না কনখৎহনবদি মথৌ য়াম্না তারে। সিটি মনুংদা ত্রাফিক জাম য়াম্না থোক্লে হায়দুনা সিটি মনুংদা গাড়ী থৌজিল্লক্কনু হায়দুনা ত্রাফিক পুলিসনা থিংলুনবগী রুল মখোয়দা লৈতে। মীয়ামসু, গভর্ণমেন্টসু অদুগা ত্রাফিক পুলিসসু তৌফম খঙদবা কোক ঙাওবগী মওংনি হৌজিক ওইরিবা মওংসি। মীয়ামদসু পংতাই তাইনরুবা য়াবা নত্তে। সিটি অমা লৈরবদি গাড়ীগী পার্কিং মফম চানা, মতিক চানা শাবা মথৌ তাই। পূন্নমকসিগী মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনি। মসিগী মীৎয়েং শানবা, থৌনা, পুকচেল শেংবা থৌওংগী মখা য়াম্না পোল্লে। ভোট থাদখিবা মীচম মীয়াম্নদি য়াল্লবা থবক অসি তৌবগী হক লৈবা নত্তে। থবকশিং অসিবু তৌরকউ হায়দুনা অপাম্বা মীহুৎ খন্দুনা এসেমব্লিদা থাখ্রিবনি। অদুগা ঙসিনা মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নরে থবক তৌরক্কদবা মীহুৎশিংদুনা তৌফম থোকপা তৌরক্তবদগী। লম্বী থোংগী ফীভম ফজনা মরাং কায়না শেম্বীদনা লম্বী চৎচবা মীচম মীয়ামদা ত্রাফিক্কী কাঙলোন থুগায়রে হায়দুনা গভর্ণমেন্টনা ওনশিন্দুনা চৈশিনবসি চুনব্রা? মসি ৱাহং মচা অমনি।

# এগজামগীদমক কুম্মৈ-লেপসি হায়বসি ফৈ

### মতম মতমগী ৱাফম

#### সেঞ্জম দেবেন

**লাক্লিবা** মার্চ থাসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভ এগজামশিংগীদমক য়েংলগা, মাঙজৌননা মণিপুরদা হরাউ-কুম্মৈগী থবকশিং লেপসি হায়বা ৱাফমসি থাগৎনীংঙাইনি। চহী চুপ্পা হরাউ-কুম্মৈ পাঙথোক্তুনতা লাক্লবা ইরমদমসিদা এগজাম থাগদবা ইরমদমগী মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লগা মতম খরদং হরাউ-কুম্মৈ পাঙথোকপা লেপ্পা হায়বা ফিরেপসিদা ঐখোয় থোয়দোক্না নুংঙাইতনীংঙাই ওইদে। খুন্নাইসিগী তুংগী য়ূম্বীরেলশিং ওইরক্কদৌরিবা ইরমদমগী মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লগা, শুম্মাঙ-কুম্মৈ অমদি অতৈ ঈশৈ-নোংমাইনচিংবা মখল খুদিংমক্কী আর্টিষ্টশিংনা লৌরক্লিবা ফিরেপসি অচুম্বনি। থা ১/২সিগী মতুংদা ফুকৎতুনা অদুম পাঙথোক্লরকপসু য়াই, মমাঙ চহীশিংদসু অদুম খরা পাঙথোক্লখি। ঈশৈ-নোংমাই অমদি হরাউ-কুম্মৈশিংগী থবক্তদি লমদমসি হায়ফেৎ থিংবদা ৱানরিবা লমদম অমনি। য়ূমদা চফু-উয়ানশিং মীরাং কারফাওদা ইরমদমসিগী য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়গীদি কুম্মৈ-হরাউদি খক লেপ্পা য়াদে। ইরন্নাইগীনা ইরন্নাইগীনি, মীয়ামগীনা অমনি। অদুবু, শুপ্নগী এগজামগী থবকসিমক্তংদি হরাউ-কুম্মৈ অমদি লাংবা, নীল-খোংবগী থবকশিং য়াওহন্দনা, ঈংনা পাঙথোকহনসি হায়না ফিরেপ লৌরক্লিবসিমদি ঐখোয় ৱাখল তাই অমসুং চাওখৎ-খোঙথাংলোমদসু মায় ওনশিল্লি হায়বদু উৎপগী খুদমনি। মসিমদি তশেংনা ফৈ।

ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভকী এগজাম হায়বসি মহৈরোয় অমগী পুন্সিদা খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা টর্নিং অমনি। ক্লাস টেন্দগী হৌরগা টুয়েল্ভ ফাওবগী তাঙ্ককশিংদা ফিরেপ চুম্না চৎখ্রবা মহৈরোয়দু কৈদৌঙৈদা খক লেম্না মাঙগন্দে। তাঙ্ককসি মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা এদোলেসন্স পেরিওদ, চহী ১৫দগী হৌরগা ১৭ ফাওবা, মীয়াম্না টিনেজর গ্রুপ হায়রগসু খঙনরিবা, ইনখৎলকপা মতমগী খ্বাইদগী লাংনীংবা অমসুং কুম্মৈ-হরাউ, ঈশৈ-নোংমাইনচিংবদা থৱায় য়াওগুম্বা তাঙ্কক্তুনি। তাঙ্ককসিদনি মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়নসু মখোয়বু খ্বাইদগী কূপ্না য়েংশিনবীহৌগদবা অমসুং শেন্নবীহৌগদবা মতমসি। মতমসি হেক লান্থোকখিবদা মহৈরোয়শিংসিগী পুন্সিদা মশাগী ওইবা তোঙানবা ৱাখল্লোনশিংনা সেল্ফ কন্ত্রোল, মশানা মশাবু ফাজিন-থেমজিঞ্জবগী থবকশিং পাঙথোকপা হৌরক্লগনি। মতমসিদনি ঐখোয়না মখোয়বু ৱাখল তারক্লবা, মশাগী ফিরেপ মশানা লৌজবা ঙম্লক্লবা মীওই অমা হায়না মশীং পাবা য়ারক্কদৌরিবসি। তাঙ্ককসি ফাওবদি তঙাইফদনা মখোয়গী মমা-মপা নৎত্রগা অহল-লমনশিং ওইরুরিবা ঐখোয়না মখোয়গীদমক অরুম্বা থৌদাংশিংসি শোয়দনমক্কী লৌবীফম থোকপনি। থৌদৌসি শুপ্নগী মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংখক্তগী ৱাফম ঙাক নত্তে, ইনখৎলক্লিবা নহারোল খুদিংমক্কী পুন্সিদসুনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা, ঐখোয়গী অহল-লমনশিং, ইপা-ইপুশিংগী হাকথক্তা হায়রিবা চহী মতাংসিদা য়ূম-কৈ পানবনচিংবগী থৌদৌশিং তোয়না থোক্নরম্বগী ৱারীশিং তানরিবসি ইনখৎলকপগী চহী ওইবগী মতাংসিননি। তাঙ্ককসিদা ঐখোয় অসুক্কী মতিক ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংবু চেকশিন্না শেন্নহৌফম থোকই। হৌজিক্তা ঐখোয়না ইচা-ইশুশিংগী অসিগুম্বা চহী মতাংগী এগজামশিংদা হরাউ-কুম্মৈ অমদি ঈশৈ-নোংমাইনচিংবা পাঙথোকপা থিংলসি অমসুং লেপ্নসি হায়বনচিংবা ফোঙদোক্নরক্লিবসি, অসুক্কী মতিক ঐখোয় মালেমগী ওইনা চাওখৎলবা, ৱাখল-লৌশিং লৈরবা মীওইশিংগী মরক্তা চনবা হৌরক্লবনি। ফিরেপসিগীদমক ঐখোয় তশেংনা চাউথোকচবা পোকই।

হৌজিক্কী মতমদা হৌগৎলক্লিবা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংসিনা তুংদা হিংহৌনবগী লম্বেলসি অসুক্কী মতিক খুজিল্লক্লি। তশেংনমক্তি থৌদৌসি মালেমগী ওইনসু থোক্লিবনি। চাউবা হেঙ্গৎলক্তবা মালেমসিদা খুন্দারিবা মীওইবগী মীশিংসিনা নোংম-নোংমগী লেপ্পা লৈতনা ঈশিং-ঈচাউগী মতৌগুম হেঙ্গৎলকপসিদগী থৌদৌসি থোক্লক্লিবনি। থৌদৌসি ইরমদমসিদা লৈরিবা, মালেমগী ওইনা চাংদম্নবদা শুপ্নগী মীওই খুজোক অমখকসু ফাদবা, ইফুরুপসিগী মীওই ঐখোয় খরখকসিনা ৱাখল তারে হায়জরগসু হেক্তমক অৱাবা থৌদৌশিংসি কোকহন্নবা পাম্বৈ অমা ওইহনবদি ওইথোকখিরোই। মালেমগী ওইবা অচৌবা অমসুং হেন্না চাওখৎলবা ষ্টেট কয়ামুক্তগী থৌদৌশিংসি কোকহন্নবা পাম্বৈশিং শোয়দনা থিনরকখিনি অমসুং থৌরাংশিং লৌখৎলকখিগনি। মতমদুদা ঐখোয়গীসু তৌফম থোকপা অমদি শোয়দনা লাকখিগনি। অদুম ওইনমক হৌজিক্তগী হৌনা ঐখোয় ফীভমসিগীদমক শেম শাদুনা লৈবা অমসুং ৱাখল্লোনসি ফাওদুনা লৈবদি চঙই। হন্দক্কী মতম খরদং ইরমরমদমসিদা কুম্মৈ-হরাউ অমদি ঈশৈ-নোংমাইশিং থিংবগী থবক পায়খৎপসিসু থৌদৌসিগী নকশিন্নবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌদবদি ঙম্লোই। ঐখোয়না ৱাখল হেন্না তাবগী খুদম অমনি। অমবু ওইরসু, অমবু ওইরসু, ঐখোয় ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংনা তুংদা, 'নুংঙাই-য়াইবী মরাং কায়না পালহৌবা' হায়বা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা লীবিরম্বা ৱারীশিংদা হেক হেক য়াওবা ৱারীগী ৱারোইশিন, পোলোয়দুমক ওইহৌবদি পাম্মী, ওইসু ওইহন্নীংই। হীরমসিগীদমক ঐখোয়না ইরমদমসিদা ৱাখল তারকপগী থৌদৌশিং হৌদোকপীরকপা অমসুং নীংশিংবীরকপা ইচিন-ইনাওশিং অমদি মরুপ-মপাংশিং খুদিংমক্কী মফমদা থাগৎপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকফম থোকই। মণিপুরসি পীকচরবসু মালেমগী ওইবা চাওখৎ-থৌরাংশিংগা মরী লৈনবদদি মাঙজিল থাই হায়নবদুসু মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয় পূন্নমক্কী ইমায়নি।

হৌজিক্কী মতমদদা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়না চৎকদবা লম্বী, খনগদবা ৱাখল অমসুং লৌগদবা ফিরেপশিংসি অসুক্কী মতিক লুরক্লি। ইচা-ইশুশিং মহৈ তমহনবগী ৱাফমখক্তা নত্তনা, মণিপুরদা হীরম খুদিংমক্তা তোৎশিন-য়ানশিন্নবা, চয়েৎনবা অমদি তুংগী পুন্সিদা অকিবা ফংলক্কদবা লম্বী ঙাক্তদা খোঙ থাংজিন্নবগী হৈনবী অমা কন্না চৎনরক্লি। ফীভমসিদা কনাগী ৱাখলদা, কনাগী লমজিংদা, করম্বা লম্বীদা চৎলগা ঐখোয় অচুম্বা খোঙথাং হায়বদু ওইগদৌরিবনো হায়বসি খন্দোকপা য়াম্না লুরক্লি। হন্দক মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগীদমক খনবীদুনা অফবা অমসুং মখোয়দা থৌনা হাপ্পীবা য়াবা, ফজবা ৱাখল্লোনশিং পুথোক্লরক্তুনা এগজাম মনুংদা কুম্মৈ-হরাউশিং অমদি ঈশৈ-নোংমাইশিং থিংগনি অমসুং লেপকনি ফোঙদোক্লরক্লিবসি মতাং য়াম্না চাই। অসুম্না মতুংদসু, লৈপাক্কী ওইবা অমসুং খুন্নাইসিগী ওইবা অফবা থবক-থৌরমশিংগা মরী লৈনবশিংদা অফবা অমসুং অনৌবা খোঙথাংশিং থাংনবগী অনৌবা চৎনবী হৌদোক্নরক্লবদি ইরমদমসি ইকুই-কুইদনা, মালেমগী চাওখৎ-লমজেলদা য়াওরবা, মপানগী মীওইশিংনা শকখঙনরবা লমদম অমা হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইরক্কনি। থৌদৌসিমক পাঙথোকপা ঙম্বসু ওইসনু হায়দুনা তাইবঙ মপূগী মফমদা থৌনিজরি। পীকখ্রবা ষ্টেট মচাসিদা লাইনীং-লম্বীশিং শুনা লৈরি। তশেংনা হায়রবদা মণিপুরসিসু মিনি ইন্দিয়া অমগুম্বনি হায়বদা হায়মনবা খক থোক্লোই। অদুবু, লৈপাক্কী অমদি অপূনবা ইরমদমসিগী ওইবা চাওখৎলোনগা মরী লৈনবা খোঙথাংশিংদদি, লাইনীং লম্বী অমদি লাইনীং-লাইশোনগী ওইবা খেন্নবশিংদা যূম্ফম ওইরগা ঐখোয় খক তপথনবা অমদি থেংথনবা অয়েৎপা অমত্তা পুথোক্লরোইসি। ঐখোয়গী ইরমদমসি মালেমগী মনুংদা লৈখল শুনা শাৎপা, তমজনীংঙাই ওইবা অপীকপা লৈকোল মচা অমা হায়বদু ওইহনসি।

পূন্নমকসি ওইনীংবা ওইজরসনু, ইচা-ইশুশিং মহৈ তম্বগী লম্বীদদি ঐখোয় কৈদৌনুংদা খক অৱা-অনা থিফম থোক্তে। ইচা-ইশুশিংবু মহৈ তমহনবা হায়বসি মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়গী তঙাইফদবা অমনি। তঙাইফদবসিগীদমক শোয়রকপা য়াবা খুদিংমক্তসু ঐখোয়না কনাবুসু নেগোসিএসন তৌরোইদবনি। এদ্যুকেসন য়াওদবা লমদম অমত্তং হায়বদু ঙসিগী মালেমসিদা থিবা ফংলরোইদবনি। এদ্যুকেসন সিষ্টেম নৎত্রগা এদ্যুকেসনগী থাক্তা থোয়দোক হেন্দোকপা অমদি হৈথোই-শিংথোইবগী থবক্তুনি ঙসিগী মালেমসিদা চাংদম্নরিবসি। ঐখোয়সু চাংদম্নবদু য়াওনবা হোৎনগদবনি অমসুং চাংদম্নবদুদা থোয়দোক হেন্দাকপশিং ওইবা ঙম্নবগীদমক হোৎনবা মথৌ তাই। মণিপুর লৈঙাক্নসু হীরমসিদা মচং ওইবা মীৎয়েংশিং থম্বীফম থোকই। এদ্যুকেসন য়াওদবা খোঙথাং খুদিংমক হৌজিক্কী মতমদা অমম্বদা থাংবা খোঙথাং ঙাক্তা ওইগদৌরিবনি। হন্দক মণিপুরদা, ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামশিংগীদমক অনৌবা খোঙথাংশিং খরা লৌখৎনরক্লিবসি থোয়দোক-হেন্দোক্না থাগৎপা ফোঙদোক্লীংঙাইনি।